# মিলিটরি য়ুনিফোর্ম শেৎপা টালিবান মিলিটেন্টশিংনা এটেক তৌদুনা অফঘান লান্মী ১৪০ হাৎখ্রে



কাবুল, এপ্রিল ২২ :

হৌজিক ফাওবগী মনুংদা অফঘান মিলিটরি বেজ অমদা চথুবা খ্বাইদগী শাথিবনি হায়বা য়ারবা এটেক অমদা ইরাই নুমিৎতা মিলিটরি য়ুনিফোর্ম শেৎতুনা মশক লোৎপা টালিবান এটেক্করশিংনা অফঘান লান্মী ১৪০ হাৎখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা হায়রি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, শিখিবা অমসুং শোকখিবা অফঘান লান্মীশিংগী মশিং ১০০ হেনখ্রে। এটেক অদু চথুখিবা নোর্দন সিটি মজর-আই-শরিফতা ওফিসল অমনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখি মদুদি, শাথিরবা এটেক অদুদা য়ামদ্রবদা লান্মী ১৪০ হাৎখ্রে অমসুং অতৈ কয়া শোকহনখ্রে। অতৈ ওফিসলশিংনা অশিবশিংগী মশিং মসিদগী হেল্লন্বা য়াই হায়না ফোঙদোক্লখি হায়রি।

এটেক অসিনা অফঘান গভর্ণমেন্ট অমসুং মসিবু বেকিং পীরিবশিংনা টালিবান লালহৌ থেংনবদা অৱা-না কয়া থেংনরিবদু হাইলাইট তৌই। লৈবাক অসিনা টালিবান লালহৌগী চৈথেং নংলকপা চহী ১০ হেল্লবনি।

ইরাই নুমিৎতা ৱাশিংটনদা য়ু এসকী ওফিসল অমনা শিখিবশিং অমসুং শোকখিবশিংগী মশিং ৫০ হেল্লি হায়খি।

ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না, অফঘান আর্মিগী য়ুনিফোর্ম শেৎপা অমসুং মিলিটরি ভেহিকল থৌবা টালিবান ফাইটর ১০ রোম বেজ অদুনা চঙশিনখি অমসুং মখোয় অয়াম্বনা মিল চারিবা অমসুং ইরাই নুমিৎকী প্রেয়র লোইরগা মোস্কতগী থোক্লকখিবা খুৎলায় পায়দবা লান্মীশিংদা নোংমৈ কাপশিনখি।

এটেক্করশিং অদু রোকেট প্রোপেল্ড গ্রেনেদশিং অমসুং রাইফলশিং শিজিন্নখি অমসুং মখোয় খরদি মশাদা য়াওরিবা সুইসাইদ ভেষ্টশিং পোকখায়হন্দুনা শিজখি হায়রি।

লান্মীশিংনা এটেক্করশিংদু চপ চানা কনা কনানো হায়বা খঙদবদগী মফমদুদা চমন্নবা ফীভম লৈখি হায়না ৱিটনেসশিংনা ফোঙদোকখি।

‘মদু মথোং-মরম খঙদবা ফীভমনি অমসুং ঐহাক করি তৌগদগে হায়বা খঙখিদে’ হায়না এটেক অদুদা শোকখিবা আর্মি ওফিসর অমনা হায়খি। ’মফম খুদিংমক্তা নোংমৈ কাপখি অমসুং বোম পোকখায়খি।’

বেজ অদু নোর্দন অফঘানিষ্টানগী অয়াম্বা শরুক পানরিবা অফঘান নেসনল আর্মিগী ২০৯শুবা কোরগী হেদক্বাটর্সনি। লালহৌবশিংগা তত্তনা খুৎ থোক্লবা কুন্দুজ প্রোভিন্সসু লমদম অদুগী মনুং চল্লি।

টালিবানগী স্পোক্সমেন জাবিহুলাহ মুজাহিদকী ৱারোল অমনা থাংজ নুমিৎতা এটেক অদু হন্দক্তা নোর্দন অফঘানিষ্টানদা টালিবানগী সিনিয়র লীদর কয়া হাৎখিবগী লমন খুম্বনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

এটেক্করশিংদুগী মনুংদগী মরিদি আর্মিদা চঙশিন্দুনা মতম খরা থবক তৌখিবা টালিবানগী সিমপে-থাইজরশিংনি হায়না মুজাহিদনা ফোঙদোকখি।

এটেক চথুখিবা বেজ অদুদা নেটোনা লুচিংবা মিলিটরি কোলিসন্না এদভাইজরশিং দিপ্লোই তৌদুনা অফঘান ফোর্সশিংবু ট্রেনিং পী অমসুং মতেং পাংই, তৌইগুম্বসুং কোলিসনগী ওফিসলশিংদি এটেক অদুদা ইন্টরনেসনল ক্রুপ অমত্তা চেন্নখিদে হায়খি।

# ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না ইন্দিয়ন অমেরিকান সর্জন জেনরেল মফম থাদোক্লবা খঙহনখ্রে



ৱাশিংটন, এপ্রিল ২২ :

য়াম্না মরু ওইরিবা পব্লিক হেল্থ সেক্টরদা অনৌবা লীদরশিপ লাকহন্নবা থাংলকপা খোঙথাংদা ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না অহানবা অমেরিকান সর্জন জেনরেল ভিভেক মুর্থি মফম লৌথোকখ্রে। ভিভেক মুর্থি মমাঙগী ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা সর্জন জেনরেল হাপখিবনি।

মশাগী চহী ৩৯ শুরবা মুর্থি মহাক্কী দেপ্যুটি রিয়র এদমিরেল সিলভিয়া ট্রেন্ট-অদামসনা মহুৎ শিনখ্রে। মহাক সর্জন জেনরেল ওইনা সার্ভ তৌবা অহানবা নর্সশিংগী মনুংদা অমনি।

‘ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসনদা নিংথিনা ট্রাঞ্জিসন তৌবদা মতেং পাংলন্নবা মতুংদা মহাক্কী সর্জন জেনরেলগী মথৌশিং থাদোক্লবা য়ু এস পব্লিক হেল্থ সার্ভিস কম্মিসন কোরগী লীদর মুর্থিদা খঙহনখি’ হায়না য়ু এসকী দিপার্টমেন্ট ওফ হেল্থ এন্দ হ্যুমেন সার্ভিসেসনা ঙরাং ফোঙদোকখি।

‘মুর্থিদগী সর্জন জেনরেলগী দ্যুটিশিং লৌথোক্লে অমসুং মহাক মখা তানা কম্মিসন কোরগী মেম্বর ওইনা সার্ভ তৌখিগনি’ হায়না হেল্থ দিপার্টমেন্ট ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

কুমজা ২০১৪ গী দিসেম্বরদা মুর্থিবু য়ু এসকী সর্জন জেনরেল ওইনা কনফার্ম তৌখি। ডা. মুর্থিবু করিগীদমক্তা মফম লৌথোকখিবনো হায়বা খুদক্কী ওইনা খঙখিদে হায়না ন্যু য়োর্ক টাইমসনা ফোঙদোকখি। দিপার্টমেন্ট ওফ হেল্থ এন্দ হ্যুমেন সার্ভিসেসকী ইমপ্লোয়ীশিংনা মহাক্না খুদক্তা দ্যুটি লেপখিবদা অঙকপা ফোঙদোক্লখ্রে।

১৯শুবা সর্জন জেনরেল অমসুং ফম অসি পায়বা অহানবা ইন্দিয়ন-অমেরিকান ভিভেক মুর্থিনা ফেসবুক পোষ্ট অমদা হায়খি মদুদি, লেমজনিঙাই ওইরবা পোজিসন অসিগীদমক্তা থবক তৌবা হায়বসি ঈকায় খুম্নবীবা অমসুং প্রিভিলেজনি।

‘ইন্দিয়াগী লায়রবা লৌমী অমগী মশুনুপা অমবু প্রসিদেন্টনা লৈবাক পুম্বগী হেল্থকী মরমদা য়েংশিন্নবা হায়বীবা হায়বসি নুংশিবা অমসুং তোমথিন ওইরবা অমেরিকান ষ্টোরি অমনি। চহী ৪০ গী মমাঙদা ঐহাক্কী ইম্মিগ্রেন্ট ফেমিলিবু তরাম্না ওকখিবা অমসুং সার্ভ তৌনবগী অসিগুম্বা তাঞ্জা অসি পীবিবগীদমক্তা ঐহাক্না লৈবাক অসিদা তৌবীমল খঙবা উৎকনি’ হায়না মুর্থিনা ফোঙদোকখি।

# ‘সুপরকেরিয়র কার্ল ভিন্সন সি ওফ জপানদা থুংলরগনি’

সিদনি, এপ্রিল ২২ : য়ু এসকী সুপরকেরিয়র কার্ল ভিন্সন নুমিৎ খরনিগী মনুংদা সি ওফ জপানদা থুংলরগনি হায়না ভাইস-প্রসিদেন্ট মাইক পেন্সনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অনীগী লুচিংবশিংনা অহানবা ওইনা টেলিফোনদা পূক্নিং থৌগৎনিঙাই ওইদবা মওংদা ৱারী শানখিবা মতুংদা ভাইস-প্রসিদেন্টনা লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহন্নবগী পান্দমদা ওষ্ট্রেলিয়াদা খোঙচৎ চৎলিবনি।

পেন্সনা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ন প্রসিদেন্ট মেলকম টর্নবুলগী মরক্তা জান্যুৱারীদা টেলিফোনদা পূক্নিং থৌগৎনিঙাই ওইদবা মওংদা ৱারী শানখিবদু কাওথোকপা য়ারবা হৌখ্রবা থৌদোক অমা ওইনা উহন্নবা হোৎনখি। লুচিংবা অনীনা টেলিফোনদা ৱারী শানখিবগী মওং অদুনা পৱার অনীগী মতম শাংলক্লবা মরীদা চৈথেং পীখিবনি।

ৱারী শানবদুদা পেসিফিক ঈথৎকী কেম্পশিংদগী রিফ্যুজি খরা অমেরিকাদা লাকহন্নবা দিল অমগী মতাংদা মঙোন্দা হায়রকখিবা মতমদা ট্রম্পনা খুদক্তা অশাউবা ফোঙদোকখি অমসুং কোল অদু তেনশিনখি। মহাক্না এরেঞ্জমেন্ট অদু ‘অপংবগী থৌদৌ’ অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

‘য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা এগ্রীমেন্ট অদুবু ঈকায় খুম্নবা লেপ্লে তৌইগুম্বসুং মসিনা এগ্রীমেন্ট অদুবু ঐখোয়না থাগৎলি হায়বদি নত্তে’ হায়না পেন্সনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখি।

‘য়ু এসকী রিফ্যুজিশিং লৌশিন্নবগী কম্মিটমেন্ট অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মরক্তা লৈরকখিবা হিষ্টোরিকল এলাইঅন্স অসি মরু ওই হায়বা উৎপনি।’

# লে পেনন্না ফ্রান্সকী ইস্লামিষ্ট মোস্ক খুদিংমক থিংজিন্নবা দিমান্দ তৌখ্রে



পেরিস, এপ্রিল ২২ : ফ্রেঞ্চ কেপিটেল পেরিসতা পুলিসকী বস অমদা চথুখিবা শাথিরবা এটেক অমনা প্রসিদেন্সিয়ল পোল কেম্প্যেনদা চাউনা অহোংবা লাকহনখিবগা লোয়ননা ফার-রাইট কেন্দিদেট মরিন লে পেনন্না ইস্লামিক মোস্ক খুদিংমক থিংজিন্নবা দিমান্দ তৌখ্রে।

শগোলশেল নুমিৎকী অহিংদা চথুখিবা শাথিরবা এটেক অদুনা মীখল অসিদা ইস্লামিক টেররিজমগী মায়োক্তা অকন্নবা ফীরেপ লৌগনি হায়না ৱাশকখিবা লে পেনবু কান্নহনগদ্রা হায়বসি শেংনা খঙবা ঙমদ্রি হায়না সি এন এননা ফোঙদোকখি।

ইরাই নুমিৎতা টেলিভিজনদা শন্দোকখিবা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা লে পেনন্না ফ্রান্সতা লৈরিবা ‘ইস্লামিষ্ট’ মোস্ক পুম্নমক থিংজিন্নবা, হেট প্রীচরশিংবু লৈবাক অসিদগী তান্থোক্লবা অমসুং ফ্রেঞ্চ বোর্দরশিং অমুক হন্না কন্ট্রোল তৌনবা দিমান্দ তৌখি। ফ্রেঞ্চ সিক্যুরিটি সার্ভিসেসকী রেদিকেলাইজেসনগী ৱাটচ লিষ্টতা য়াওরিবা মীশিংদুসু ফ্রান্সতগী তান্থোক্কদবনি অমসুং মখোয়গী সিটিজনশিপ কেন্সেল তৌগদবনি হায়না পেননা হায়খি।

মরু ওইবা কেন্দিদেট অহুম - সেন্টর-রাইট কেন্দিদেট ফ্রান্সুআ ফিল্লন, লে পেন অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট সেনট্রিষ্ট ইম্মান্যুঅল মেক্রননা কেম্প্যেনগী ইভেন্টশিং কেন্সেল তৌখি অমসুং ফ্রান্সকী মীখলগী চৎনবী মতুং ইন্না টেলিভিজনদা ৱা ঙাঙখি।

# বাংলাদেশতা মিলিটেন্টশিংগী লোৎফমদা রেইদ চথুবদা বোম শানবা মচাকশিং থেংনখ্রে

ধাকা, এপ্রিল ২২ : বাংলাদেশতা থাংজ নুমিৎতা পুলিসনা বোম শাবদা চঙবা কেমিকেল অমা ওইরিবা হাইড্রোজেন পরোক্সাইদকী য়ামদ্রবদা অচৌবা কন্টেনর ১৭ ঝেনাইদাহ দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মিলিটেন্টশিংগী লোৎফম অমদগী ফাগৎখ্রে।

কাউন্টর টেররিজম এন্দ ট্রান্স-নেসনল ক্রাইম (সি টি টি সি) য়ুনিটকী মেম্বর ৩০ গী টিম অমনা অয়ুক্তা নিও-জামাটুল মুজাহিদ্দিন বাংলাদেশ (জে এম বি) গী মিলিটেন্টশিংনি চিংনবশিংনা শিজিন্নবা পোরাহাটি ভিলেজগী য়ুম অমদা নীনি চনবা নুমিৎকী ওইনা মখোয়গী ওপরেসন হৌখিবগা লোয়ননা বোমগী মচাকশিং অদু ফংখিবনি হায়না দেলি ষ্টারনা ফোঙদোকখি।

কন্টেনরশিংদুদা নত্তনা মীরৈবাক্তা শাবা ৭.৬৫ গী পিষ্টল অমা, মরু তরেৎ অমসুং জিহাদিগী লাইরিক ১৫ দগী১৬ পাওবা লালহৌবশিংগী লোৎফমদুদগী লৌখৎখি। ঝেনাইদাহ অসি কেপিটেল ধাকাগী নোংচুপ্তা কিলোমিটর ১৭৮ লাপ্না লৈ।

‘অয়ুকপুং ১০.০০ রোম তাবদা য়ুমদুদা পুলিস চঙশিনখি। বোম খরা হান্নানা লৌথোকখ্রবনি। লিটর ৩০ গী কন্টেনরশিংদুদা হাইড্রোজেন পরোক্সাইদ থাই হায়না পুলিসকী সিনিয়র ওফিসল অমনা বি দি ন্যুজ ২৪ দা হায়খি।

থাজবা য়াবা পাউ অমদা য়ুম্ফম ওইরগা টিম অদুনা ইরাই নুমিৎতা য়ুমদুদা রেইদ চথুখিবা হৌখিবনি।

# ইন্দিয়া-পাকিস্তানগী মরী ফগৎহন্নবা য়ু এসনা লৌখৎলকপা খোঙথাং খুদিংমক তরাম্না ওকই : পাক এফ এম

ৱাশিংটন, এপ্রিল ২২ :

দোনাল্ড ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসন্না ন্যু দিল্লি অমসুং ইস্লামাবাদপু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা মখোয়গী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবশিং লৈখায় তাহন্নবা পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা পায়খৎলকপা খোঙথাং খুদিংমক পাকিস্তান্না তরাম্না ওক্কনি হায়না লৈবাক অসিগী ফাইনান্স মিনিষ্টর ইশাক দাসনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টরনেসনল মিলিটরি ফন্দ (আই এম এফ) গী চহীগী কনফরেন্সতা শরুক য়ানবগীদমক্তা ৱাশিংটনদা লৈরিবা দারনা পাকিস্তানগী ন্যুক্লিয়র এসেটশিং য়ু এসকীগা মান্ননা সেফ ওই হায়না ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিদা থাজবা পীখ্রে।

দারনা হায়খি মদুদি, মালেমগী অপুনবা মীশিংগী তঙ্খায় অমদি ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানগী মরীনা মরু ওইনা কাশ্মিরগী য়েৎনবনা হকথেংননা শোকহল্লিবা লমদম অসিদা লৈ।

# ভেনিজুয়েলাদা এন্টি-গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্টশিংদা মীওই ২০ শিখ্রে



করাকাস, এপ্রিল ২২ :

ভেনিজুয়েলাদা এন্টি-গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্টশিংদা থোকখিবা হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিংদা শিখিবা মী মশিং কেপিটেল করাকাসতা খুৎ থোক্লবা অমসুং পোৎ-চৈ লুট তৌবদা মীওই ১২ শিখিবা অহিং অমগী মতুং ইরাই নুমিৎতা মীওই ২০ য়ৌখ্রে।

কেপিটেলগী নোংপোক, নোংচুপ অমসুং খা থংবা সাইদশিংদা প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরো মফম লৌথোক্লবা দিমান্দ তৌখিবা প্রোটেষ্টরগা রাইঅট পুলিস অমসুং প্রো-গভর্ণমেন্ট ভিজিলেন্টিশিংগা খুৎ থোক্লখি হায়না ৱিটনেসশিংনা হায়খি।

‘মদু লাল অমগা মান্নখি’ হায়না মশাগী চহী ৩৩ শুরবা সাউথ-ৱেষ্টর্ন দিষ্ট্রিক্ট এল ভলেদা লৈবা কন্সট্রক্সন ৱার্কর কার্লোস য়ানেজনা ফোঙদোকখি।

‘পুলিসনা টিয়ার গ্যাস কাপখি, খুৎলায় পায়বা মীচমশিংনা বিল্ডিংশিংদা নোংমৈ কাপখি। ঐহাক অমসুং ঐহাক্কী ইমুংগী মীওইশিং ফ্লোরদা পাকথরগা লৈখি। মদু অকিবগী মশক্নি’ হায়ন য়ানেজনা এ এফ পিদা হায়খি।

ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না, নৈবরহুদ অদুদা মীওই ১১ শিখ্রে।

মখোয়গী মনুংদগী মীওই নিপানদি চরাংনবা মরক্তুদা বেকরি অমা লুট তৌনবা হোৎনবদা মৈনা চিংবদা শিখিবনি। অতৈনা নোংমৈনা কাপখিবনি।

ইরাই নুমিৎকী অহিংদা ইষ্টর্ন করাকাস অমসুং য়ুম্লোন্নবা ষ্টেট ভারগসকী মাকুটোদা অহেনবা প্রোটেষ্টশিং অমসুং ঈরাং কয়া থোকখি। সিটি অসিদা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংসু লৌখৎখি হায়রি।

শগোলশেল নুমিৎকী অহিংদা এল ভালেদা লৈবা মীওইশিংনা কাপখিবা ভিদিওশিংনা মীশিংনা মচিনদা ‘মীহাৎপশিং’ হায়না লাউরদুনা বোটলশিং অমসুং অতৈ পোৎশক কয়া মখোয়গী থোঙনাউশিংদগী মখাগী লম্বীশিংদা লৈরিবা গনমেনশিংদা লংশিনবগী শক্তমশিং উৎখি।

মফম অমদা ষ্ট্রীট প্রোটেষ্টরশিংনা মোলোটোভ কোকটেলশিং লংশিন্দুনা মখোয়দা টিয়ার গ্যাস কাপশিল্লকখিবা আরমর্দ পুলিস ট্রকশিংগী মনুংদগী অমা মৈ থানবা হোৎনখি। মখোয়না অদুম্না তৌবদুনা অহিংগী অতিয়াদু ঙালহনখি।

# বালোচিষ্টানদা মিলিটেন্ট ৪০০ হেন্না সরেন্দর তৌখ্রে



ক্বেটা, এপ্রিল ২২ :

পাকিষ্টানগী ঈরাং কন্নবা বালোচিষ্টান প্রোভিন্সতা অথিংবা থমখ্রবা তোঙান-তোঙানবা আউটফিটশিংগী মিলিটেন্ট ৪৩৪ সরেন্দ তৌখ্রে।

ইরাই নুমিৎতা প্রোভিন্সিয়ল কেপিটেল ক্বেটাদা ওথোরিটিশিংদা খুৎলায়শিং শীন্নখিবা মিলিটেন্টশিং অদু বালোচ রিপব্লিকান আর্মি (বি আর এ), বালোচ লিবরেসন আর্মি (বি এল এ) অমসুং অতৈ সেপরেটিষ্ট গ্রুপশিংগীনি। মখোয়না লালহৌবগী ঈরাং কল্লবা প্রোভিন্স অদুদা সিক্যুরিটি ইন্সটোলেসনশিং অমসুং পার্সনেলদা এটেক কয়া পাঙথোকখি।

কম্মান্দর সাউর্দন কম্মান্দ লেফটিনেন্ট জেনরেল অমির রিয়সফনা থৌরম অদুদা হায়খি মদুদি, মহৌশাগী পুন্সিদা হল্লকপা পাম্বশিং তরাম্না ওকই। সরেন্দর তৌরবা মতুংদা মখোয়না মহৌশাগী পুন্সিদা হল্লকপা য়াগনি।

‘খুৎলায় থাদোক্লে হায়রিবা খুদিংমক তরাম্না ওক্কনি’ হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

প্রোভিন্সিয়ল চীফ মিনিষ্টরসু শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা মিলিটেন্টশিংদুনা পাকিষ্টান গভর্ণমেন্ট শৌগৎকনি হায়না থাজবা পীখি।

মিনরেল মরাং কায়না ফংবা বালোচিষ্টানদা পাকিষ্টান্না কুমজা ২০০৪ দগী লালহৌবশিংগা লাল থেংনরকখি। নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লবদা লান্মী অমসুং মিলিটেন্ট চা কয়া শিখ্রে।

চাইনানা মতেং পাংবা সি পি ঈ সি প্রোজেক্টকী মখাদা লম্বী কয়া অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ-শাগৎপা হৌবা য়াওনা পাকিষ্টানি ওথোরিটিশিংনা পিছ অমসুং দিভলপমেন্টতা মিৎয়েং থম্লকপদগী শিংথানিঙাই ওইবা চাংদা লালহৌবগী ঈরাং নেমথরকখি। সি পি ঈ সি প্রোজেক্ট অদুনা বালোচিষ্টানগী দীপ সি পোর্ট গ্বাদরগা চাইনাগা শম্নে।

‘লালহৌবশিং অসিনা ঐহাক্কী ইচানুপা অমসুং ইচিন-ইনাও হাৎখি তৌইগুম্বসুং ঐহাক্না মখোয়বু ঙাকপীরে। ষ্টেট ওফ পাকিষ্টান্নসু মখোয়বু ঙাকপীরে অমসুং ঐহাক্না মখোয়বু বালোচিষ্টানগী সি পি ঈ সি প্রোজেক্টকী শরুক ওইনবা ৱেলকম তৌই’ হায়না বালোচিষ্টানগী চীফ মিনিষ্টর সানাউলা জেহরিনা থৌরম অদুদা হায়খি।




## EMPLOYMENT NEWS

**RIMS Imphal Recruitment – Regional Institute of Medical Sciences – 43 Junior Resident Vacancy – Last Date 03 May 2017**

**RIMS Imphal Recruitment 2017**

Regional Institute of Medical Sciences (RIMS), Imphal invites application for the post of 43 Junior Resident. Apply before 03 May 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**RIMS Job Details :**

Post Name : Junior Resident
No. of Vacancy : 43 Posts
Pay Scale : Rs. 15600-39100/-
Grade Pay : Rs. 5400/-

**Eligibility Criteria for RIMS Imphal Recruitment :**
Educational Qualification : MBBS/ BDS in relevant discipline with internship certificate.

Nationality : Indian
Age Limit : As per RIMS Rules

**Job Location : Imphal (Manipur)**

**Selection Process :** Selection will be made on Interview.

**Application Fee :** There is no application fee.

**How to Apply RIMS Imphal Vacancy :** Interested candidates may apply along with self attested copies of relevant documents, internship certificate send to Medical Supernitendent, Regional Institute of Medical Sciences, Imphal-795004, Manipur, India on or before 03.05.2017.

**Venue of Interview :** In the Conference Room (South) of Jubilee Hall, RIMS, Imphal.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application : 03.05.2017
Date of Interview : 20.05.2016 at 01:30 PM

**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.rims.edu.in/secure/wp-content/uploads/Notification-19-04-2017.pdf

**BOI Recruitment – Bank of India – 670 Officer (Credit) & Manager Vacancies – Last Date 05 May 2017**

**BOI Recruitment 2017**

Bank of India (BOI) invites Application for the post of 670 Officer (Credit) & Manager in various scales. Apply Online before 05 May 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**BOI Job Details :**

Post Name : Officer (Credit)
No of Vacancy : 270 Posts
Pay Scale : Rs. 23700-42020/-

Post Name : Manager
No of Vacancy : 400 Posts
Pay Scale : Rs. 31705-45950/-

**Eligibility Criteria for BOI Recruitment :**
Educational Qualification : A Degree (Graduation) in any discipline with minimum 60% marks alongwith MBA/PGDBM/ PGBM/ PGDBA from institute of repute (two/three year programme) / Post-graduation degree in Commerce/ Science / Economics OR Chartered Accountant OR ICWA OR Company Secretary A certification in computer course for minimum three months OR Information Technology or related paper as one of the subjects at graduation level or afterwards, is a must.

Nationality : Indian
Age Limit : Minimum and maximum age limit is 21 to 30 years for Officer (Credit) & 23 to 35 years for Manager as on 10.04.2017

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be based on online test and/or personal interview.

**Application Fee :** SC/ST/PWD candidates have to pay Rs.100/- and Rs. 600/- for General/ Others candidates through Master/ Visa Debit or Credit cards or Internet Banking.

**How to Apply Bank of India Vacancy :** Interested Candidates may apply Online through the website http://www.bankofindia.co.in from 20.04.2017 to 05.05.2017 till 23.59 hrs thereafter website link will be disabled.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 20.04.2017
Last Date for Submission of Online Application : 05.05.2017
Date for the Payment of Online Fee : 20.04.2017 to 05.05.2017

**Important Links :**
Details Advertisement Link : http://www.bankofindia.co.in/pdf/BOI-ADVT-GBO.pdf

**Apply Online :** http://ibps.sifyitest.com/boiogbsapr17/